# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, FEBRUARY 23, 2018 PAGE 7






*সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী সোট ট্রেক্ত ইভেন্টকী মিটর ৫০০গী লমজেলদা ৱার্ল্ড রেকোর্দকী মতম থম্না ঙমদুনা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা চাইনাগী ৱু দাজিং*

*ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব আর্সনেলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী লৈবাক অদুগী লীগ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল শান্নগদৌরিবা অদুদা হান্নগী গোল কিপর পিটর চেককী মহুৎতা শরুক য়াহনগদৌরিবা দেবিদ ওস্পিনা*

## ইন্দিয়াগী মেরি কোম অমসুং সরিতা দেবী বলগেরিয়াদা পাঙথোকপা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল বেক্সিং টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল শোয়দ্রে

*সোফিয়া, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী নুপীগী বোক্সর অনী মণিপুরদগী হৌখিবী এমসি মেরি কোম অমসুং লাইশ্রম সরিতা দেবী বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াদা পাঙথোক্লিবা ৬৯শুবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং চেপিয়ন্সিপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মখোয় অনীমক মেডল ফংবদি শোয়দ্রে।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন এমসি মেরি কোমনা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা নুপীগী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বাদা মমাঙদা মহাক্না তোঙান–তোঙানবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টতা মায়থিবা পীখিবা রোমানিয়াগী বোক্সর ষ্টেলুতা দুতাবু হন্দকসু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবদগী য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেডল অমদি শুংশোয় শোয়দনা ফংলগনি।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০০৬, ২০০৮ অমসুং ২০১০ ৱার্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা রোমানিয়াগী ষ্টেলুতা দুতা ইন্দিয়াগী এমসি মেরি কোমগী মখূত্তা ফাইনেল মায়থিদুনা সিলভর ফংখিবনি।

নীংশিংবা য়াই মশাগী চহী ৩৩ শুরবী হৌজিক–হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী রাজ্য সভাগী মেম্বর অমা ওইরিবী বোক্সর এম সি মেরি কোম্না বলগেরিয়াগী সোফিয়াদা পাঙথোক্লিবা ৬৯শুবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা মমাঙদা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডল ৩লক ফংবা ঙমখ্রবী অদুগা য়ুরোপিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ওইনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবী রোমানিয়াগী ষ্টেলুতা দুতাবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অমদি হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ওপন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মথংশিংনা ব্রোঞ্জ মেডল অমসুং সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সর অমা ওইরিবী মণিপুরদগী হৌখিবী লাইশ্রম সরিতা দেবীনা ৬৯শুবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৬০ গী কাঙলুপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী বোক্সর কি য়ান্নেনবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবদগী মেরি কোমগা মান্ননা মহাকসু টুর্নামেন্ট অসিদা মেডল অমদি শুংশোয় শোয়দনা ফংলগনি।

মেরি কোম্না মহাক্কী লম্বা ষ্টেলুতাগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা বোক্সিং মশান্নগী ওইনা লম্বা মান্নদুনা ফজবা বাওট অমা ওইখি। অদুবু সরিতা অমসুং য়ান্নেনগী বাওট অদুদি সরিতানা কা–হেন্না ফজবা ঙমখিবদগী ফজবা বাওট অমা ওইখিদে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মেডল ৬ শোয়দনা ফংলগনি। মেরি কোম অমসুং সরিতাগা লোয়ননা অতোপ্পা বোক্সর ৪ সিমা (৮১ মথক), বোরা (৭৫), মিনা কুমারী (৫৪) অমসুং কসারি (৮১) সু মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট লাম্থোক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

## নুপীগী আইস হোক্কিদা চহী ২০ গী মতুংদা কানাদাবু মায়থিবা পীদুনা য়ুএসএনা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে



নুপীগী আইস হোক্কিগী ফাইনেলদা কানাদাবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা য়ুএসএগী টিম

*পিওংচাং, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*

ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী আইস হোক্কি ইভেন্টতা চহী ২০ গী মতুংদা কানাদাবু মায়থিবা পীদুনা য়ুএসএগী টিম্না গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী আইস হোক্কি ইভেন্ট অদুদা কুমজা ২০১৪ সোচি ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেডল ফংখিবদা নত্তনা ইভেন্ট অদুগী মমাঙদা গোল্ড মেডল ৩ লৌবা ঙমখ্রবা কানাদাগী টিম অদুবু য়ুএসএগী নুপীগী আইস হোক্কি টিম্না য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা পেনাল্টি সুট আওটতা পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা চহী ২০ গী মতুং দা য়ুএসএনা অহানবা ওইনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী আইস হোক্কি ইভেন্ট অসি কুমজা ১৯৯৮ তা অহানবা ওইনা জপানগী সিটি নগানোদা পাঙথোকখিবা গেমস অদুদা হৌদোকখিবনি। হায়রিবা ওলিম্পিক্স অদুদা য়ুএসএগী টিম্না নুপীগী আইস হোক্কিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

অদুবু কানাদাগী নুপীগী আইস হোক্কি টিম্না মখা তানা পাঙথোরকপা ২০০২, ২০০৬, ২০১০ অমসুং ২০১৪ ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসতা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমদুদা চহী ১৬ নুপীগী আইস হোক্কিদা লম্বা লৈত্রবা টিম অমা ওইরকখিবনি।

ঙসি সাউথ কোরিয়াগী সিটি গাংন্যুংদা শান্নখিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী আইস হোক্কিগী ফাইনেল মেটচতা চহী ১৬ চেম্পিয়ন ওইদুনা লাক্লবা কানাদাগী টিম অদুবু দিসিপ্লিন অসিগী অহৌবা ওলিম্পিক গেমস লৌখিবা য়ুএসএনা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড ফংখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী পেনাল্টি সুট আওটদা য়ুএসএ অমসুং কানাদাবু পাঞ্জল ২–২ লৈনরকপদগী খ্বাইদগী মরুওইবা পাঞ্জল অদু য়ুএসএগী টিম্না চন্দুনা অদুগা কানাদাগী সোট অদু য়ুএসএগী গোল টেন্দরনা ঙাকথোকপা ঙমদুনা গোল্ড মেডল ফংখিবনি।

চথরিবা পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অসিগী নুপাগী সোট ট্রেক্ত লমজেলদা চাইনাগী এঠলিট ৱু দাজিংনা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অদুগা মান্ননা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।

চাইনাগী দাজিংনা ইভেন্ট অদু সেকেন্দ ৩৯.৫৮৪ দা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অদুগী মতমগা চপ মান্ননা চেনবা ঙমখিবদগী গোল্ড মেডল ফংখিবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা য়ুম্বু সাউথ কোরিয়াগী হুৱান দে হিওননা দাজিংদগী সেকেন্দ ০.২৭ হন্থরগা সিলভর অদু ফংখি, অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা রুশিয়াগী ভিক্তোর আননা লৌখি।

গেমস অসিদা নোরৱে অমসুং জর্মনি গোল্ড ১৩ / ১৩ ফংমিন্নরবসু সিলভরদা নোরৱেনা হেনবদগী অহানবা থাক্তা লৈরি।

## দিল্লিবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীদুনা অন্ধ্র প্রদেশ বিজয় হজারে ট্রোফিগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*

ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী ৱান দে ইভেন্টকী মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বিজয় হজারে ট্রোফিদা ঙসি দিল্লিবু অন্ধ্র প্রদেশনা ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংস দিল্লিনা শান্নরকপদা অপীবা ওভর ৫০ গী মনুংদা শুপ্নগী ওভর ৩২ গা বোল অমখক মায়োক্নখিবদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ১১১ দা ইন্নিংস লোইশিনখি।

অন্ধ্র প্রদেশকী বোলর সিব কুমারনা ৱিকেট ৪ অদুগা টিমমেট ভারগব ভাটনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা দিল্লিবু অনেম্বা স্কোর অমা লৈহনখিবনি।

বিজয় হজারে ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদুগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু মায় পাক্নবা অন্ধ্র প্রদেশনা রন ১১২ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু টিম অদুনা ৱিকেট ৪ খক তুরগা ওভর ২৯ গী ৪শুবা বোলদা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না দিল্লিবু ৱিকেট ৬ তা থোইখিবনি।

অন্ধ্র প্রদেশকী ইন্নিংস অদুদা মেটচ অদু মায় পাক্নবা পুখৎলকপদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা বেটসমেন অনী অদুদি রন ৩৬ লৌখিবা রিকি ভুই অমসুং রন ৩৮ লৌখিবা আস্বিন হেবরনি।

অন্ধ্র প্রদেশনা সেমি ফাইনেলদা বরোদাবু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীরম্বা সৌরাষ্ট্রগা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী টি–২০ সেরিজগী অনীশুবা মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক্না ৱিকেট ৬ তা থোইদুনা সেরিজ অদুদা মেটচ অমমম মান্নদুনা লৈখ্রে

*পেটোরিয়া, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না সাউথ অফ্রিকাদা শান্নরিবা ক্রিকেট টুরগী মনুং চন্না টি–২০ সেরিজগী মেটচকী ৩গী লম্বাদা ঙরাং পেটোরিয়া সিটিদা লৈবা সেঞ্চুরিওন সুপর স্পোর্ট পার্কতা ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অদু য়ুম্বু লৈবাক অদুনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৬ তা থোইদুনা টি–২০ গী সেরিজ অসিদা লৈবাক অনীমক মেটচ অমমম থোইনদুনা লম্বা মান্ননা লৈখ্রে।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী টোস সাউথ অফ্রিকাগী কেপ্টেন জোন পোল দুমিনিনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখোয়গী ইন্নিংস শান্নরকপদা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৮৮ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম য়াম্না শোকখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা ইন্নিংস অদুগী অনীশুবা ওভরগী অহানবা বোলদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইদুনা মেটচ অদুগী স্কোর বোর্দতা ইন্দিয়াগী ৱিকেট অমা তুবদা স্কোর অমত্তা লৈখিদবনি।

সুরেস রাইনা অমদি অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱননা ইন্নিংস অদু মখা তানা পুখৎলকপদা য়াম্না ফজবা মওংদা ওভর ১ দা রন ১০ লৌবগী চাংচৎতা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ৪শুবা ওভর য়ৌশিল্লকপদা রন ৪০ লাম্থোকপা ঙমখি।

৫শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা ওপনর সিখর ধৱন শুপ্নগী বোল ১৩ দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৪ লৌদুনা লৈরিঙৈ ১৪শুবা বোলদা আওট ওইখি।



সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী বোল ৩০ দা রন ৬৯ লৌখিবা হেনরিক ক্লাসেন

মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি শুপ্নগী রন অমখক লৌরগা আওট ওইখিবদগী ৬শুবা ওভর অদুদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৩ তুরগা রন ৪৫ খক লৈখি।

মনিস পান্দেনা ভিরাটকী মহুৎ শিল্লগা সুরেস রাইনাগা শান্নরকপদা ৪শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদা রন ৪৫ হাপচিল্লগা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ৯০ শুরকপদা সুরেস রাইনা বোল ২৪ দা রন ৩০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

রাইনাগী মহুৎ ধোনিনা শিল্লদুনা মনিস পান্দেগা শান্নরকপদা লেমহৌবা ইন্নিংসকী ওভর ৯ গা বোল ২ দা য়াম্না ফজবা স্কোর লৌবা ঙমদুনা হান্না লৈরম্বা রন ৯০ দগী অহেনবা রন ৯৮ হাপচিল্লগা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ১৮৮ দা থমখি।

আওট ওইদনা পান্দেনা বোল ৪৮ দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৭৯ লৌখি। অদুগা ধোনিনা শুপ্নগী বোল ২৪ দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫২ লৌখি।

অনীশুবা টি–২০ মেটচ অদু মায় পাক্নবা সাউথ অফ্রিকানা রন ১৮৯ গী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ১৯ গী ৪শুবা বোলদা বেটসমেন ৪ খক আওট ওইরগা টার্গেট য়ৌদুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না ৱিকেট ৬ তা থোইখিবনি।

সাউথ অফ্রিকাগী অহৌবা বেটসমেন ২ ফজবা ঙমখিদ্রবসু কেপ্টেন দুমিনি অমদি ৱিকেট কিপর হেনরিক ক্লাসেননা য়াম্না ফজবা টি–২০ গী ক্রিকেট মশান্না উত্তুনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

টিম অনীগী ইন্নিংসকী ৫শুবা ওভরদা ওপনর অনীমক অপুনবা রন ৩৮ দা আওট ওইখি। কেপ্টেন দুমিনি অমসুং ক্লাসেননা ইন্নিংস মখা চত্থরকপদা হান্না লৈরম্বা রন ৩৮ দগী মখোয় অনীগী পার্টনর্সিপ্না রন ৯৩ হাপচিল্লগা অপুনবা স্কোর ১৩৬ য়ৌরকপদা ক্লাসেন শুপ্নগী বোল ৩০ মায়োক্নবদা সিক্স ৭ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৬৯ দা আওট ওইখি।

ক্লাসেনগী মহুৎ শিল্লকখিবা দেবিদ মিলর রন ৫ দা আওট ওইখিবদগী সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংস অদু ওভর ১৫ শুরকপদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৪১ দগী নৌনা চঙলকপা বেটসমেন এফ বেহারদেন অমদি কেপ্টেন দুমিনিনা ইন্নিংস অদু ১৯শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা মায় পাকপগী রন ১৮৯ লৌদুনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৬ দা মায়থিবা পীরগা মেটচ ৩ গী টি–২০ সেরিজ অদুদা মেটচ অমমম থোইনদুনা লৈরি।

কেপ্টন দুমিনিনা ইন্নিংস অদুগী ৪শুবা ওভরদগী আওট ওইদনা শান্নরকপদা রন ৬৪ লৌখি। সেরিজ অসিগী অরোইবা অমদি অহুমশুবা মেটচ অদু থাংজ নুমিৎতা কেপ টাউনদা শান্নগদৌরি।

## চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা লেগকী মেটচতা য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটক্সনা ইটালিগী ক্লব রোমাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*দোনেটক্স, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা লেগকী মেটচতা য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটক্সনা ইটালিগী ফুটবোল ক্লব রোমাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। লীগ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা স্পেনগী ক্লব সিভিলা অমসুং ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটক্স অমসুং ইটালিগী ক্লব রোমানা ঙরাং শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদুদা মায়কৈ অনীদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪০ শান্নবা লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা ইটালিগী ক্লব রোমাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই সেঙ্গিজ অন্দরনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং সাখটর দোনেটক্সপু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থরবা সাখটর দোনেটক্সকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা এটেক তৌদুনা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই ফাকুন্দো ফেরেরানা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা পাঞ্জল ১–১ দা লৈনখি।



য়ুক্রেনগী ক্লব সাখটর দোনেটক্সকী শান্নরোইশিংনা মেটচ মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকপদগী মিনট ২০ লোমগী মতম হৌজিনখ্রবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে।

শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা সাখটর দোনেটক্সকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ফ্রেদনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা রোমাবু পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা রোমাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি সাখটর দোনেটক্সকী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু সাখটর দোনেটক্সনা রোমাবু প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং স্পেনগী ক্লব সিভিলানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

মেটচ অদুগী অহানবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখিবা মরম্না অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবনি।

নাকল অমরোমদা য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২গী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা রুশিয়াগী ক্লব সিএসকেএ মোস্কোনা সর্ভিয়াগী ক্লব এফকে করভেনা জ্বেজদাবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি টিম অনী অসিনা শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৩২গী অহানবা লেগকী মেটচতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখিবনি।

সিএসকেও মোস্কো অমসুং এফকে করভেনা জ্বেজদানা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪০ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

মতম কুইনা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা সিএসকেএ মোস্কোগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা অলান জাগোভনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু রুশিয়াগী ক্লব সিএসকেএ মোস্কোনা সর্ভিয়াগী ক্লব এফকে করভেনা জ্বেজদাবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

## য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনানা জর্মনিগী কবরগা দুবাই ওপনগী সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ২২ঃ*

য়ুক্রেনগী শান্নরোই এলিনা স্বিটোলিনানা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কবরগা দুবাই ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী স্বিটোলিনানা ঙসি জপানগী এন ওসাকাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীখি। অমরোমদা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবী জর্মনিগী কবরনা অহুমশুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজ কোভাবু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।





টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা রুশিয়াগা শান্নরোই অনী কসাটকিনা অমদি ভেসনিনা থেংনগনি। অদুগা স্পেনগী মুগুরুজা অমদি ফ্রান্সকী গার্সিয়ানা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরি।

অতোপ্পা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দেলরে বিচ ওপনদা য়ুম্বু লৈবাক য়ুএসএগী জোক সোক অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা য়ুএসএগী শান্নরোই আর ওপেলকানা ৪–৬, ৭–৫, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

মহাক্না য়ুএসএগী অতোপ্পা শান্নরোই জোন ইসনরবু টাই ব্রেক সেট ৩ দা ৭–৬(৭–৩), ৬–৭(৪–৭), ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীরম্বা জর্মনিগী পি গোজেৱিক্কা ক্বার্টর ফাইনেল থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ৯শুবা সিদেদ শান্নরোই কানাদাগী মিলোস রাউনিক অনীশুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী এস জোন্সনগী মখূত্তা ২–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌখি।